# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 13-05-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ম্যান্মারদগী আইন কায়না চংশিল্লকপা মীতোপশিংনা কামজোং জিলাদা আইনগী ৱাংমদা থবক কয়া চখরে হায়রি, মখোয়বু অথুবা মতমদা মরমদা হলহনখিনবা শিনবীয়ু হায়না লৈসিও কৈশিং এম.এল.এনা মুখ্য মন্ত্রিগী পুকিং চিংশিল্লি।

২) মণিপুর পুলিসকী মীওই মরি ফাজিনদুনা ফু চৈবদা চেন্নবা মীওই অনি ঙরাং পুলিসনা ফারে।

অমসুং

৩) লোক সভা মীখলগী মরিশুবা তাঙ্কক্কী ভোৎ হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাং পুং ৭ তগী থাদনবা হৌখ্রে।

------

রিফ্যুজি (এল)ঃ ম্যান্মারদগী আইন কায়না চংশিল্লকপা মীতোপশিং মশা মশাগী মরমদা হলহনখিবা নত্রগা মখোয়বু অকনবা মীৎয়েং মখাদা থমনবা মফম অমা শিনবীনবা ফুংয়ার বিধান সভা কেন্দ্রগী এম.এল.এ- লৈসিও কৈশিংনা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেনগী পুকিং চিংশিল্লক্লি।

এম.এল.এ অসিনা মুখ্য মন্ত্রিদা থাবা অইবা চেরোল অমদা হায়- ম্যান্মারদা থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা মণিপুরদা আইন কায়না নারোনদা মীতোপশিং চংশিল্লকপগী চাং কা হেন্না ৱাংখৎলক্লি। হৌজিক ফাওবদা কামজোং

জিলাদা মীতোপ লিশিং ৫,৪৫৭ চংশিল্লকখ্রে। মসিগী মনুংদা বাইও মেট্রিক দেটা লৌবনা লিশিং ৫,১৭৩ ওইরি। জিলা অসিদা মখোয় চংলকপদগী পামদবা থৌদোক কয়া থোকপা থেংনরে, হান্না লৈজরম্বা মফম অদুগী খুঞ্জাশিংবু ফুবা চৈবা কয়া তৌরে হায়রি। মসিদসু নত্তনা খুঞ্জাশিংবু মীতোপশিংনা ফাবা পুনবা অমদি হাৎপগী থবকসু হেনগৎলক্লি। অদুমওইনমক, হায়রিবা মীওইশিং অসি ফাবা পুনবা অমদি চৈরাক পীবদি ঙমদ্রি। মরমদি মখোয়দা ভারতকী লৈরিবা আইনশিং চলাইবা য়াদে। মরম অদুনা হায়রিবা রিফ্যুজিশিং অসি মশা মশাগী মরমদা হলহনখিবা নত্রগা মখোয়গী অকনবা সেক্যুরিতিগী মীৎয়েং মখাদা মফম অমা শিনবীনবা মুখ্য মন্ত্রিনা হোৎনবীয়ু হায়রি। লোয়ননা ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈদা সেক্যুরিতি ফোর্স হেন্না থম্বীনবসু আপীল তৌরি।

পুলিস (এল)ঃ মণিপুরদা পামদবা থৌদোক থোক্তনবগীদমক সেক্যুরিতি ফোর্সনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি। রাজ্য পুলিসকী কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- ইরাং থোক্কনবা য়াই চিংনবা চীং অমদি তম্পাক্কী মফমশিংদা পুলিসনা ওপরেসন অমদি এরিয়া দোমিনেসনগী থবক লেপ্তুনা চথুরি। থা অসিগী ১১ দা পুলিসকী মীওই মরিবু ফাজিনদুনা ফু চৈবদা চেন্নবা মীওই অনি ঙরাং পুলিসনা ফাগৎলে। বিষ্ণুপুর জিলাগী নিংথৌখোং এরিয়াদা অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌবদা আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.ৱাই.কে.এলগী মীওই অমসু ঙরাং ফারে। নেসনেল হাইৱে-টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা পোৎ পুবা গাড়ি ৪২ অশোই অঙাম য়াওদনা ইম্ফালদা পুরকখ্রে। তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চ্যেক পোইন্ট কয়া হাংদোক্তুনা অচৎ অওকশিং অশোই অঙাম থোকহন্দনবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি।

ইলেক্ট্রিক (এল)ঃ অনৌবা ট্রান্সফোর্মর শিনবা অমদি ঐচ.টি লাইন শেম্বগা মরী লৈননা ইলেভেন কে.ভি হৈরাঙ্গোইথোং ফিদরনা কোনবা মফমশিংদা লৈবা

কঞ্জুমরশিংদা ঙসি অয়ুক পুং ১০ মখায়দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা মৈ পীবা ঙমলোই হায়না এম এস. পি. দি. সি. এলনা হায়রি।

হায়রিবা মতম অসিদা মৈ ফংলোইদবা মফমশিংদি- কৃষ্ণ প্রেমিদগী কৈবুং ওইনাম লৈকাই, লিৱা লম্বী, শিংজমৈ মথক চোংথাম লৈকাই, চিরোম লৈকাই অমদি সাপম লৈকাইনি।

এআর (এল)ঃ আই. জি. এ. আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা ঙরাং বিষ্ণুপুর জিলাগী সেন্দ্রা অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কোল্লাখোং খুলগী অকোয়বা মফমশিং শিৎ-শেংখ্রে।

ত্রেনিং (এল)ঃ ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী ইলেক্ট্রোনিক দিপার্টমেন্ট অমদি নেলিট ইম্ফালনা শিন্দুনা ঙসিদগী হৌদুনা নুমিৎ মঙানি চুপা চথুগদবা এসেমব্লি  ওফ ওব্সটেকল এভোইদেন্টস বেজ ওন মল্টি রোটোর (য়ু.এ.ভি) গী ত্রেনিং হৌজিপক ঙাইহাক্কী মতুংদা দিএম কলেজ ওফ সাইন্সকী সেন্ট্রেল হোলদা হৌরগনি।

ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ ইনফোর্মেসন টেকোলোজি মন্ত্রালয়গী শেন্থুং মখাদা চথুগদবা ত্রেনিং অসিদা ক্বাদকোপ্টর দ্রোন শাবা অমদি দ্রোন পাইবগী মতাংদা তাকপী তম্বীগনি।

ফুটবোল (এল)ঃ ২৮ শুবা সেনিয়র ৱিমেন্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর রাজমাতা জিজাবাই ত্রোফি ২০২৩-২৪ গী সেমি ফাইনেলগীদমক হৌজিক ঙাইহাক্কী মতুং পুং ৮ দা মণিপুরগা মমাংগী চেম্পিয়ন তামিলনাদুগা এ.আই.এফ.এফ নেসনেল সেন্তর ওফ এক্সেলেন্সতা শান্নরগনি। নুংথিল পুং ৩ দনা হরিয়ানাগা নোংচুপ বেঙ্গলগা কিশোর ভারতি ষ্টেদিয়মদা থেংনরগনি। ফাইনেল মেটচ থা অসিগী ১৫ দা কিশোর ভারতি ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি।

ফুটবোল (এল)ঃ শিংজমৈ ওইনাম থিংঙেলদা চখৎরিবা ৫ শুবা ওইনাম চার্লি মেমোরিয়েল ওপন সোক্কর টুর্ণামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৪ শুবা মেটচতা কংলৈচা এফ.সি শিংজমৈনা জোন এফ.সি অচানবিগৈবু পাঞ্জল ১-০দা থোইখ্রে।

বোক্সিং ঃ ইন্দিয়ান বোক্সিং ফেদরেসন্না শিন্দুনা হরিয়ানাগী সাই এন.বি.এ রোতাকতা হৌখিবা মার্চ ৩০ দগী এপ্রিল ১৫ ফাওবা পাঙথোকখিবা খেলো ইন্দিয়া নেসনেল টেলেন্ট হন্ট বোক্সিং চেম্পিয়নসিপতা সনাগী তকমান লৌরকখ্রবা থৌবাল জিলাগী খাঙবোক্তগী মোইরাংথেম কবিরাজবু ঙরাং মীয়ামা তরামা ওকখ্রে। মশান্না অদুদা কিলোগ্রাম ৬৩ দগী ৬৭ ফাওবগী কেটগোরিদা সনাগী তকমান লৌরকখিবনি। মহাকপু তরামা ওকপগী থৌরম পোপুলর য়ুথ ক্লবা খাঙবোক পার্ট থ্রিদা পাঙথোকখি।

মীখলঃ লোক সভা মীখলগী মরিশুবা তাঙ্কক্কী ভোৎ হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাং পুং ৭ তগী থাদনবা হৌখ্রে। তাঙ্কক অসিগী মীখল অসিদা রাজ্য ৯ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমগী পুন্না বিধান সভা কেন্দ্র ৯৬ তা ভোট থাদনরি। মীরেপ লিশিং ১,৭১৭ না লম্বা তৌনরিবা মীখল অসিদা অন্ধ্র প্রদেশকী সিট ২৫, তেলঙ্গনাগী সিট ১৭, উত্তর প্রদেশকী সিট ১৩, মহারাষ্ট্রগী সিট ১১, মধ্য প্রদেশ অমদি ৱেষ্ট বেঙ্গলগী সিট ৮-৮, বিহারগী সিট ৫, ঝারখন্দ অমদি ওরিষাগী সিট ৪-৪ লোয়ননা জম্মু এন্দ কাশ্মী য়ুনিয়ন তেরিতোরিগী সিট ১ য়াওরি। মীখল অসিদা পুন্না ভোতর কোতি ১৭ লাখ ৭০ না ভোৎ থাদনগনি। মসিগী মনুংদা নুপা ভোতর কোতি ৮ লাখ ৯৭ অদুগা কোতি ৮ লাখ ৭৩ য়াওরি।

ইলেক্সন কম্মীসননা ঙসিগী মীখল অসি নিয়ম চুমা অমদি শান্তি ওইনা পাঙথোকপা ঙমবা তঙাইফদবা থবকশিং লৌখৎলি।

তাঙ্কক অসিগী মীখলগা লোয়ননা অন্ধ্র প্রদেশকী বিধান সভা কেন্দ্র ১৭৫

অমদি ওরিশাগী বিধান সভা কেন্দ্র ২৮ গী মীখলসু পাঙথোক্লি। মীখল অসিগীদমক পোল্লিং ষ্টেসন লাখ ১ লিশিং ৯২ গীদমক পোল্লিং ওফিসিয়েল লাখ ১৯ মথৌ তৌরি। ভোৎ ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা থাদনগনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

পোকফমদা- শেল তানবা থোরকপা এন.জি.ওনা লৈবাক্কী ওইবা ইসুদা খুৎ থিংজিল্লক্কনু, য়েলহৌমী হিংবা-শিবগী ৱাহংনি হায়বা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেনগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা- লুপা লাখ ১৪ রোমগী য়ুঙৌ অমসুং য়ুঙাং মাংহনখ্রে হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মণিপুর নিউজদা- ম্যান্মারগী মিও থিটতা ঙরাংসু নোংমৈ কাপখ্রে, বরমুদা ওপরেসন জেক পোট ওপরেসনগা চপ মান্নে হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা- শিব সেনানা ৱাখল মান্নবশিংগা পুল্লগা ইম্ফাল-জিরি লম্বী ঙাক্লগনি, মীয়ামা চপ চানা মতেং পাংবীয়ু হায়বা দল অসিগী প্রসিদেন্ট এম. তোম্বীনা ফোংদোকখিবা ৱাফম এনকর কলমদা ফোংলি।

সনালৈবাক্তা- নোর্থ ইষ্ট লালহৌবশিংগী কেম্পতা কুকি মিলিটেন্টশিংনা লান্দারকখ্রে, মিওথিটকী লানফমদা কুকি, মখোয়বু শৌগৎপা কয়া শিরে।

হুইয়েন লানপাউদা- রাহুল গান্ধি অমসুং খরগেনা তোংবা হেলিকোপ্তরশিং ইলেক্সন কম্মিসন্না চ্যেক তৌখ্রে, কংগ্রেস লুচিংবশিংদা থৌওইনা চথুবা থৌওংলা হায়বদু শেংদোরকবা ইলেক্সন কম্মিসনদা খঙহনখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা- মণিপুরদগী মীতোপশিং খন্দোকবা কেবিনেট সব-কমিতিগী থবক থৌরম মখা চথুরক্কদৌরি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা- লমচৎ কাম্বগী থবক চত্থরন্বশিং ফাগৎখ্রে হায়বা পাড অমা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা- কাইথোল্লবা শেনফমশিং লৌদুনা য়ুম কৈশিং অমুক হন্না শাননবা থৌরাং তৌশি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ইন্তরনেল্লি দিসপ্লেস পার্সনশিংদা হায়খ্রে হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

য়ু.সি.এমগী কাংবুগা বঙ্গলাদেশকী মীতৈশিংগা উন্নখ্রে হায়বগী পাউ অমা পিপলস ক্রেনিকলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মণিপুর মেলদা- মণিপুরগী য়েলহৌমীশিংবু কন্দবা য়াদে হায়বা মুখ্য মন্ত্রিগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- কাংপোকপী পুলিসতা ফু চৈখিবগী থৌদোক্তা চেন্নবা মীওই ফারে, থৌওং অদুবু মীওই কয়ানা য়ানিংদবা ফোংদোকরক্লি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা- কংগ্রেসকী রাহুল গান্ধিনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগা পাব্লিক দিবেট তৌননবা অয়াবা পীখ্রে, অদুবু মহাক্তি কংগ্রেসকী প্রাইম মিনিষ্টরিয়েল কেন্দিদেট ফাওবা নত্তে হায়না বি.জে.পিনা ফোংদোকখ্রে।

------